# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 03-12-2024)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ০৩-১২-২০২৪, লৈবাকপোকপা)**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) আইন কাইনা ইন্নর লাইন পার্মিৎ পায়রন্বা বঙ্গলাদেশ মচা ২৯ ফারে, চেন্নবা ওফিসিএল থবক্তগী সস্পেন তৌখ্রে।

২) সেক্যুরিতি ফোর্সশিংনা থিবা হুন্নবগী থবক লেপ্তুনা চথরি, খূৎশু খূৎলাই ফাগৎপসু লেপত্রি।

**অমসুং**

৩) নিউ দেল্লিদা ঙসি পাঙথোক্কদবা ইন্টর্নেসনেল ডে ওফ পার্সন্স ৱিথ দিসএবিলিতিজকী থৌরমদা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা মনাশিং য়েন্থোক্লগনি।

**সিএম (এল)ঃ** আইন্না য়াদবা মওংদা ইন্নর লাইন পার্মিৎ পায়রগা মণিপুরদা চংলক্লন্বা বঙ্গলাদেশ মচা ২৯ ফারে। অরানবা মওংদা আই.এল.পি পাস পীরন্বদা চেন্নবা ওফিসিয়েল অমা থবক্তগী সস্পেন্দ তৌখ্রে।

মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেটরিয়েটতা ঙরাং পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না হায়- ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ময়াং ইম্ফালগী মফম অমদা হাংবা অচাপোৎ শাফম অমদা বঙ্গলাদেশ মচানি চিংনবা মীওই খরা থবক তৌদ্না লৈরে হায়বগী অককবা পাউ অমা ফংবদগী পুলিসনা মফম অদুদা থিবা হুন্নবগী

থবক চথবদা মীওই ২৯ লোম অরানবা আই.এল.পি পায়রম্বা থেংনখি। আইন্না য়াদবা মওংদা আই.এল.পি পীরম্বদা চেন্নবা রেভিন্যু দিপার্টমেন্টকী ওফিসিয়েল অমা থবক্তগী সস্পেন্দ তৌরে। মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-

**--সাউন্দ বাইট(সি.এম)--**

মুখ্য মন্ত্রিনা মখা তানা হায়-মপালদগী চংলকপা মীতোপশিং মশক খঙদোক্তবা য়ারোই ইন্নর লাইন পার্মিট অসি হান্নদি জিলা জিলাশিংগী দি.সিনা পীরম্বনি অদুবু হৌজিক্তি সব কম্মিতি শেমলে ।

অমরোমদা, অসামগী কার্বি আংলোংদা আইন কাইনা লৈরম্বা কুকিশিং মফম অদুদগী তান্থোকখ্রে।মখোয়শিং অদুগী মনুংদা রাজ্য অসিদা ইং কুমজা ১৯৬১ মমাঙদগী লৈবা মীওইশিং য়াওরম্লবদি মখোয়গী লৈফম চাফমশিং নিংথিনা শিনগনি।

**দিসএবলঃ** সেকমাইজিংদগী হৌজিকা কাঞ্চিপুরদা লৈরিবা হকচাংগী ফীভম মীমান্নদ্রবা ইরেংবম জ্গিনদা নেসনেল এৱার্দি ক্ষেত্রি প্রতমা মৈতৈনা ব্লাঙ্কেট অমদি শেলগী মতেং পাঙখ্রে। ৱার্ল্ড দিসএবল ডেগী মাংওইননা মশাগী অনাবা অমশু শাগোন্নরিবা জ্গিনদা পোৎলমশিং অদু মতেং পাঙখিবনি হায়রি।

**খোঙজং (এল)ঃ** মশাগী খুল ঙাকচরিবা খুল ঙাকপশিং ফাবা য়ারোহ, মখোয়দা এন.আই.এনা কেস লৌখৎপা য়ারোই, মণিপুরদগী আর্ম ফোর্সেস স্পিসিএল পৱরস এক্ট লৌথোক্কদবনি হায়বা দাবী তকশিন্দুনা ঙরাং উরিপোক কান্তিন ক্রোসিংদা লম্বী তঞ্জাই থিংদুনা খোঙজং চংশিনখ্রে। উরিপোক অপুনবা লূপ অমদি উরিপোক অপুনবা নুপী লূপনা পুন্না শিন্দুনা চংশিনখিবা খোঙজং অদুদা লমদম অদোমগী মশিং য়াম্লবা নুপীশিংনা শরুক য়াখি।

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা ইরাং থোকপা য়াই হায়না চিংনবা মফমশিংদা এরিয়া দোমিনেসন অমসুং থিবা হুন্নবগী থবক লেপ্তুনা চথরি। কাংপোকপী জিলাগী লোয়বোল খূলদা সেক্যুরিটি ফোর্সনা থিবা হুন্নবগী থবক চথবদা স্নাইপর রাইফল অমা, লেথোট গন অমা, নাইন এম.এম পিষ্টোল অনি, এস.বি.বি.এল নোংমৈ অমা, থর্তি আইট এম.এম গী এন্তি রাইওট কার্ট্রিজ অমা, ৱায়র লেস সেট অমা য়াওনা পোৎলম কয়া ফাগৎলে । চুরাচান্দপুর জিলাগী ফাইখোথাম ভিলেজতগীসু সেক্যুরিটি ফোর্সনা এস.এল.আর রাইফল অমা, মেগজিন অমা, নাইন এম.এম পিষ্টোল অমা, টুয়েল্ভ বোর সিঙ্গল বেরেল অমা, তিয়র স্মোক সেল অনি য়াওনা অতৈ পোৎলম কয়ামরুম ফাগৎলে। মরক অসিদা, মীয়ামগী নমদুনা শেল খাইবদা চেন্নবা মীওই অহুম ফাগৎলে হায়রি। মখোয়দগী মেগজিন য়াওবা ঘাতক রাইফল অমা, পোইন্ট থ্রি টু গী কন্ত্রিমেদ পিষ্টোল অমা য়াওনা অতৈ পোৎলম খরসু ফাগৎলে হায়রি।

অমরোমদা, নোংমগী তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা নেসনেল হায়ৱেশিংদা লেপ্তুনা পুশিল্লক্লি। নেসনেল হায়ৱে-৩৭ ইম্ফাল জিরিবাম লম্বীদা পোৎচৈ পুবা গারি ২৮১ অমসুং নেসনেল হায়ৱে-২ ইম্ফাল দিমাপুর লম্বীদা পোৎচৈ পুবা গারি ২৩০ অকনবা সেক্যুরিতিগী ঙাকশেলগা লোয়ননা পুশিল্লকখ্রে হায়রি।

**মুরমুঃ**রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা ঙসি নিউ দেল্লিদা ইন্টর্নেসনেল ডে ওফ পার্সন্স ৱিথ দিসএবিলিতিজ ২০২৪গী থৌরমগা মরি লৈননা হকচাংগী ফীভম মীমান্নদ্রবসু থোইদোক হেন্দোকপা থবকশিং পাঙথোকপা ঙন্বা মীওই অমদি ইন্সটিট্যুসন পুন্না ৩৩ দা জাতি থাক্কী মানাশিং পীদুনা ইকাহ খুমরগনি।

সোসিএল জস্তিস এন্দ এম্পৱরমেন্ট মন্ত্রি ডা.বিরেন্দ্র কুমারনসু পালন থৌরম অসিগা মরি লৈননা হকচাংগী ফীভম মীমান্নদ্রবা মীওইশিংগী পুন্সি মহিং

হেন্না ফগৎহন্নবগী পান্দমদা সিক্সতিন ত্রান্সফোর্মেতিভ ইন্নিসিএতিভস হৌদোক্লগনি।

**জগদিবঃ** উপ-রাষ্ট্রপতি জগদিব ধনখর ঙসি মুম্বাইদা চৎকনি। মহাকা সেন্ত্রেল ইন্সটিট্যুট ফোর রিসর্স ওন কতন টেকোলোজিগী সেন্তিনরি ফাউন্দেসন ডে গী থৌরমদা শরুক য়াগনি অমসুং সেন্তিনরি পীলর অমা শঙ্গাগনি। থৌরম অদুদা, কেন্দ্রগী এগ্রিকলচর এন্দ ফার্মরস ৱেলফিয়রস মন্ত্রি শিবরাজ সিংহ চৌহান, রাজ্য মন্ত্রি রামনাথ থাকুর, মহারাষ্ট্রগী রাজ্যপাল সি.পি রাধাকৃষ্ণন য়াওনা শকাইরবা মীওই কয়া থৌরম অদুদা শরুক য়াগনি।

**চিরাগ ঃ** কেন্দ্রগী ফুদ প্রোসেসিং মন্ত্রি চিরাগ পাস্বানননা হায়রি-ফুদ প্রোসেসিং সেক্তরবু হেন্না চাওখৎহন্নবগী মচাক মথুম কয়ামরুম লৈবাক অসিদা লৈজরি। মসিবু নিংথিনা শিজিন্নরবদি মালেমগী কৈথেলদা অচৌবা মফম অমা কনবা ঙমগনি। পতাদা ঙরাং পাঙথোকপা ইনভেষ্টরস মিট অমদা ৱা ঙাংলদুনা শ্রী পাস্বানননা হায়-ৱার্ল্ড ফুদ বাস্কেটতা ভারতনা মফম অমা কনবা ঙম্বত নত্তনা ফুদ প্রোসেসিংগী লমদা শকখঙনবা লৈবাক অমসু ওইরি। মহাকা হায়-ফুদ প্রোসেসিং সেক্তরনা লৌমীশিংগী শেন্থোক হেনগৎহনবদা চাওনা মতেং পাংলি।

**উরিষাঃ** রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুগী নুমিৎ মঙানিগী উরিষা খোঙচৎ ঙসিদগী হৌরগনি। মহাক্কী খোঙচৎ মনুংদা রাষ্ট্রপতিনা পন্দিট রাঘুনাথ মুরমুগী নৌনা শাবা মুর্তিগী মাইখুম হাংদোক্কনি। ভুবনেশ্বরদা লৈবা আদিম ওৱার জাহারদসু শ্রীমতি মুরমুনা চৎকনি। পুরিদা লৈবা শ্রী জগনাথগী মন্দিরদসু লাই খূরুমগনি। গোপভন্দু অয়ুর্বেদা মহাবিদ্যালয়াগী ৭৫ শুবা কুমওন থৌরমদসু মহাকা শরুক য়াগনি। ব্লু ফ্লেগ বিচতা পাঙথোক্কদবা নেভি ডেগী থৌরমদা রাষ্ট্রপতিনা শরুক য়াগনি। থা অসিগী ৫দা ভুবনেশ্বরদা লৈবা উরিষা য়ুনিভর্সিতি ওফ এগ্রিকলচর এন্দ টেকে

ালোজিগী ৪০ শুবা কনভোকেসনগী থৌরমদসু মহাকা শরুক য়াগনি। মফম অদুদা নৌনা শেমগৎপা জ্দিসিএল কোর্ট কমপ্লেক্স অমশু রাষ্ট্রপতিনা শঙ্গাগনি।

**ইতালিঃ** লৈবাক অসিগী খোঙচৎতা হৌজিক ভারত্তা লৈরিবা ইতালিগী মন্ত্রি এদোলফো উর্সোগা কেন্দ্রগী দিপার্টমেন্ট ওফ স্পেসকী রাজ্য মন্ত্রি ডা.জিতেন্দ্র সিংহগা ৱারি শান্নদুনা লৈবাক অনিগী মরক্তা তেংবাং পীনবা হেনগৎহন্নবা ৱাফম কয়া খন্নখ্রে। সাইন্স, টেকোলোজি, ইন্নোভেসন অমসুং স্পেস এক্সপ্লোরেসনগী লমদা লৈবাক অনিগী লমদা তেংবাং পীনরিবশিং অদু লূচিংবা অনিনা হন্না য়েংশিনখি। ডা. জিতেন্দ্রনা স্তার্ট অপকী লমদা মালেমগী ওইনা ভারতনা অহুমশুবদা লৈরিবা অমসুং লৈবাক অসিগী শেল থুমগী ফীভমদা অহোংবা কয়া লাক্লিবশিং অদু য়াওনা ভারতকী এচিপমেন্ট কয়া শিংথাদুনা খঙহনখি। প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লমজিং মখাদা ইন্নোভেসন অমসুং টেকোলোজিগী লমদা পায়খৎপা থবক থৌরম কয়াগী মতাংদসু ডা. সিংহনা পাউদমখি।

**--পাউ লোইজরে--**

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

লান্না আই এল পী শাদুনা পাইরম্বা ২৯ ফারে। এস.দি.সি অমা সস্পেন তৌখ্রে। ইলেক্টেট মেম্বরশিং লৈবাক হান্না কনমিন্নখিসি। নুংদা য়ানদবা কোন্না খন্নসি হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম সনালৈবাক পাউচেগী অহানবা হেদলাইন পীরি। শাশিন্নবা আই.এল.পি পায়রম্বগী পাউ অসি ইচেল এক্সপ্রেস অমসুং মণিপুর নিউজকী অহানবা হেদলাইন ওইনা ফোংলক্লি। পাউ অসি হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙবা থেংনরে।

ঐখোয়গী ষ্টেট অসিদসু সাইবর ক্রিমিনেলশিংগী দিজিতেল এরেষ্ট, সাইবর ফ্রোদকী চৈথেং ফংলে হায়বা হেদলাইন অসি পোকফম পাউচেগী অহানবা হেদলাইননি।

জিরিবামদা সি.আর.পি.এফনা কাপ্পদা শিখিবা কুকি মিলিটেন্ট ১০গী ওতোপ্সি রিপোর্টতা তুংলোমদগী নোংমৈ মরু কয়া পানবগী খুদম ফংখি হায়বা হেদলাইন অসি দ পিপলস ক্রোনিকলগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

নহারোলগী থৌদাং পাউচেদা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনা মণিপুরগী ইরাং অসি লো এন্দ ওর্দরগী প্রোব্লেমনি হায়না উরিবা অসি অরানবনি হায়না অহানবা হেদলাইন পীরি। পাউ অসিগা মান্নবা পাউ ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা তোঙান তোঙানবা হেদলাইন পীদুনা ফোঙলি।

মণিপুরগী লান ঙসি থা ২০ শুরে । লৈমখোঙ আর্মিগী পার্সনেলশিং চখোক চৎশিন তৌহনখিদ্রে, কমলবাবুগী লোইনবীনা মপুরোইবা পীবীয়ু হায়না তেংথাখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইননি। পাউ অসি ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, দ গানফিউ মেল, অমসুং সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরী ইদিসনগী অহানবা হেদলাইন ওইরি। তমেংলোং তাহমসতনা অনিশুবা হেদলাইন ওইনা ফোংলক্লি।

মণিপুরদা থোক্লিবা হিংশাগী থৌদোকশিংগী দাইত্যা পুন্বা বি.জে.পিগীনি হায়না কংগ্রেসকী মাইকৈদগী থল্লকখিবা ৱাফম সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনগী অহানবা হেদলাইন ওইরি। হেদলাইন অসিগী মখাদা বোক্স আইতেমদা হাইলাইট তৌদুনা দি.এম.কেগী এম.পিনা মণিপুরগী মতাংদা পার্লিয়ামেন্টতা খন্ননবা

এদজোর্নমেন্ট মোসন থাঙ্গৎলকখ্রে হায়বা হেদলাইন অসিসু ফোংলক্লি। পাউ অসি নহারোলগী থৌদাংগী পাউচেদা অনিশুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি।

হুইয়েন লানপাউগী অনিশুবা হেদলাইনদা-মণিপুরগী লান য়াওনা ৱাথোকশিংগী মতাংদা খন্নসি হায়না ওপোজিসন্না তকশিল্লকপদগী সভা অনিমক অমুক্কসু এদজোর্ন তৌখ্রে হায়না ফোংলি । পাউ অসি সনালৈবাকতসু অনিশুবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

পান্দম অমগী মখাদা পুন্না চৎমিন্দ্রবদি ঐখোয় মশেল ফুনদুনা শিমিন্নবা তারে হায়না কোকোমিগী কো-ওর্দিনেতর সোমোরেন্দ্রোনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম ইচেল এক্সপ্রেসকী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।